নুপীদা কারন তারুবা ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ : মচা লৈরবী নুপী অমদা পাখঙ অমনা নমথাক তৌরগা কারন তারুবদগী পুলিসনা নুপা অদু ফারগা কোর্টতা পুথোল্লবা মতুং জেলদা থাজিনখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদুগী মমিংনা নাওরেম টিকেন (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিমাই কৌই। মহাক নম্বোল লৈমপোকপম মখা লৈকায়দা লৈবনি। টিকেন হায়রিবা মীওই অসি ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা বজাজ এল্লাইয়েন্সতা এজেন্ট ওইনা লৈবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদু লম্ফেল পুলিসনা ফারগা থা অসিগী ১৮ দা ফারগা নুমিৎ ৬ নি পুলিস রিমান্দ লৌরবা মতুংদা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী জে এম কোর্টতা পুথোল্লগা লাক্লিবা ওগষ্ট ৭ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

‘কম্যুনিটি হোল শেমজিনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট ফাইনান্সকী শেন্থং মখাদা হৌখিবা ২০০৯ দা কে ৱাই দল্লিয়ু এ ক্লব ৱাবগাই কদাজিৎকী গ্রাউন্দদা মতম অদুগী ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টনা শাবীরম্বা কম্যুনিটি হোল অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারী থাদা শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা হুমদোক্তুনা পৈথদুনা লৈখি হায়রি।

কে ৱাই দল্লিয়ু এ ক্লবকী মেম্বরশিংনা ৱা শিজিন্নদুনা হোল অসি তুখিদনবা ঙাক্তুনা থম্লকখিবনি। লৈকায়গী মীওইশিং অমদি কে ৱাই দল্লিয়ু এ ক্লবকী মায়কৈদগী ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টতা শেমজিনবীনবা হায়জরুবদা ঙসি ফাওবনা হন্না য়েংবীদ্রে হায়রি।

করিগুম্বা হোল অসিনা তেক্লকপা তারবদি নাকনদা লৈরিবা মাইবম ইনাওচাগী য়ুমদা শোয়দনমক্কী ননশিন্দুনা অমাঙ-অতা অমদি অশি-অনা য়াওরকপা য়াই। মরম অদুনা লাইবক থীবা থৌদোকশিং থোক্লক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীদুনা লৈকায় অসিগী অমত্তা ঙাইরবা কম্যুনিটি হোল অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু হায়রি।

খোঙজং হন্দোকখ্রে

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম্না মথৌ তৌরগনি। মরকসিদা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অদু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ফাওবদা ফংদ্রগদি খোঙজং মখা অমুক চথবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

GAS TODAY

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:15/04/2017
Valid From:08/04/2017
Stk :612
Timing: 07:00am -10:00am
(Pls Submit Aadhaar Xerox)

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:27/04/2017
Valid From:22/04/2017
Stk 14Kg:612, Rs.667.5/-
Timing: 08:00am -10:00am

GBD INDANE, LAMLONG
Booking Upto:06/04/2017
Valid From:27/03/2017
Stk :612
Timing: 06:30am -10:00am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:20/04/2017
Valid From:18/04/2017
Stk :306
Timing: 07:30am -10:30am
(Aadhaar Link Consumrs Only)

JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK
Booking Upto:16/04/2017
Valid From:12/04/2017
Stk :306 (CTC)
Timing: 07:00am -09:00am

M.M. GAS SERVICE
Booking Upto:21/04/2017
Valid From:18/04/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing: 07:00am -10:00am

MAHALAKSMI INDANE SL.NO. 210
Booking Upto:18/04/2017
Valid From:05/04/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing: 07:00am -10:00am

MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. 9810
Booking Upto:17/04/2017
Valid From:15/04/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -11:00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:10/04/2017
Valid From:07/04/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing: 07:30am -09:30am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:18/04/2017
Stk :306
(Only for CTC & DNSC)
Timing: 10:00am -01:00pm

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto:11/04/2017
Valid From:07/04/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -10:00am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto:15/05/2017
Valid From:02/05/2017
Stk :450
Timing: 07:30am -10:30am

বোর্দিংদা লৈবা মহৈরোয় ২১ অহিংদা স্কুলগী হোষ্টেল থাদোক্তুনা চেল্লুরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মহৈরোয়শিংদা মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীদে, কা হেন্না ফুবী-চৈবী অমদি নিংথিনা পীজ-পীথকপীদে হায়রদুনা স্কুল বোর্দিং থাদোক্তুনা চেল্লুবা মহৈরোয় ২১ ঙসি এমসু থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংনা মমা-মপাশিং অমদি স্কুলগী কম্মিটিগী মীওইশিংগা লোয়নদুনা রেস্কু তৌরবা তুংদা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটি (সি দল্লিয়ু সি), থৌবালদা খুৎশিন্নখ্রে।

মহৈরোয়শিং অদু শিন্নরদুনা এমসু থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরিদেব শর্ম্মনা হায়খি, রেসিদেন্সিয়ল স্কুল অমা ওইরিবা খাঙবোকতা লৈবা ৱিজদম ফাউন্দেসনগী মহৈরোয় ২১ অসি ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংগী পুং ২ রোম তাবদা স্কুলগী ৱাল চোংদুনা চেনখিবনি। মহৈরোয়শিং অদুনা থৌবাল, চরাংপাৎ ফাওদুনা চৎলগা শিখোং সেকমাইগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম লৈবা চীংথক্তা লোত্তুনা লৈরম্বদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা রেস্কু তৌখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুল চলাইরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী স্কুলগী প্রোস্পেক্টসতা য়াওখিবশিং অদু ঙাক্না চৎলিব্রা নৎত্রগা শেন্দাল লন্বী ওইনা চলাইরিব্রা হায়বদু অথুবা মতমদা দ্রাইভ চৎতুনা য়েংশিল্লগনি। মহৈরোয়শিংনা স্কুল থাদোক্তুনা চেনবগী থৌদোক ঙরাং অমসুং মমাঙদা থোকখিবা অয়াম্বা, চান-থক্লবা ফজদবা অমদি মহৈরোয়শিংবু তাথি-তাওইনা তৌবীবগী ৱাফমনা অয়াম্বনি। হিরম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু প্রাইভেট স্কুলশিং অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

সি দল্লিয়ু সি থৌবালগী চেয়রপর্সন কেঐচ জিতেন্দ্রনা হায়খি, প্রাইভেট স্কুল অমদা নুপীমচা অমদি নুপামচাগী তোঙানবা কম্পাউন্দ লৈগদবনি, মখোয়গী তোঙানবা বাথরূম অমদি টোইলেটশিং লৈগদবনি। নিয়মশিং অসি ঙাক্না চৎলিব্রা হায়বদু সি দল্লিয়ু সি থৌবালগী মায়কৈদগীসু য়েংশিনবা হৌরগনি অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু য়েংশিনবীয়ু।

রেস্কু তৌরবা মহৈরোয়শিং সি দল্লিয়ু সিগী মায়কৈদগী নিংথিনা কাউন্সেলিং তৌরবা মতুং নুংথিলগী মতমদা মমা-মপাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। লোয়নননা মহৈরোয়শিংনসু পেন্দবা অমগীদমক স্কুল থাদোক্তুনা চেনবীগনু, মহৈরোয়শিংগী লূপশিংদা নৎত্রগা সি দল্লিয়ু সিগী মীওইশিংদা হান্না ৱাকৎপীনবা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখি।

নেংনৈঙা খোঙসাই লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মোরেদগী নেংনৈঙা খোঙসাই অপোকপা লেথাং খোঙসাইবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অদুগী অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না কুকি নেসনল আর্মিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি অন্দর সেক্রেটরি ষ্টেফেন কুকিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ২৩ দা সৈখোসাট হাওকিপনা নুপীমচা অসিবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অসি খ্বায়দগী লায়বক থিবনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ওর্গনাইজেসন অসিনা শরুক য়ারি। মরাল লৈবা মীওই অসি মোরে পুলিসনা ফাবগা লোয়নননা লোগী ওইবা প্রোসিদিংশিং লৌখৎনবা চঙশিল্লক্লিবা অসি থাগৎলি।

ভিক্তিম ফেমিলি অমদি ওর্গনাইজেসন্নসু কুকি কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না কেস অসি সেট্টল তৌখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা সী এস ওশিংনা লেপ্পক্‌পগীদমকসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কনাগুম্বশিং অমদি গ্রুপশিংনা সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়ামদা চমন্নবা পোকহন্দনবা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদগী য়ুঙাঙ অমদি য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি য়াইরিপোক পুলিসকী এস দি পি ও য়াওবা টিম অমনা নোংপোক সেকমাই সিখোং কৈথেল এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা য়ুঙাঙ বোট্টল কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, নোংপোক সেকমাই সিখোং কৈথেল এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঙাক কয়া য়োল্লে হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিসকী টিম অদুনা সিখোং কৈথেলদা লৈবা কোন্সম নাওবী (২৯) অপোকপা কে ইবোবী কৌবা অমদগী য়ু ফাগৎখি।

মঙোন্দগী ফারবা য়ুঙাঙশিং অদুদি ও সী ব্লু বোট্টল অমা, মেকদুৱেল কার্টর বোট্টল মাপল, ৱাইক মেজিক কার্টর বোট্টল ১৩, কিংফিসর বোট্টল মঙা, দাইব্লো কেন বিয়র অহুম, ইলিফেন্ট বিয়র বোট্টল তরুক, সুট বিয়র বোট্টল ২৩, দি আই সী লিটর ২০নি। ফারবা য়ুশিং অদু এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সুগ্নু অমদি ৱাঙ্গোই পুলিসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙসি নুংথিল সুগ্নু কৈথেল এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা নুপী অমদগী য়াল্লবা য়ুঙাঙ বোট্টল ৪৮ ফারে হায়রি। ফারবা য়ুশিং অদুগী মনুংদা ওল্ড মোঙ্কনা অয়াম্বনি হায়রি। ফারবা য়ু অমদি মীওই অদু সুগ্নু এক্সাইজদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ডোক্টর থারক্ত্রবদি ওফিস ...

*লামায় ১গী মখা...*অমদি সী ঐচ সী য়াইরিপোক্কী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। হৌজিক সী ঐচ সী য়াইরিপোকতা ডোক্টর অনী খক্তনা অহিং-নুংথিল খাইদনা পুবা ঙমদবনা ইমর্জেন্সি সর্ভিস থিংজিল্লকপা নুমিৎ ৩ নি শুরে। হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা অরুবা অনাবা কয়া শন্দোরকপা মতম অসিদা সী ঐচ সী য়াইরিপোকতা অনাবা মশিংগা য়েংনবদা ডোক্টর অনীখক্না পুবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি। সী ঐচ সী য়াইরিপোকনা কোল্লিবা এরিয়া অসি মরুওইনা ৱাঙ্খেম এ সী, অন্দ্রো এ সী, হেরোক এ সী, ফুংয়ার এ সী অমদি সাইকুল এ সীনি। অসুক চাউবা এরিয়াশিং কোল্লিবা সী ঐচ সী অমদা মরম চাবা ষ্টাফশিং মরুওইনা ডোক্টর লৈতবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্না য়াইরিপোক্কী মীয়াম্বু থওইদনি। ও পি ডি ফাওবা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনবা হায়না ক্লব অহুম বি ৱাই এফ ৱাই, এস ই ডি ও অমদি বি ৱাই সী ৱাইনা ৱারেপ লৌমিন্নরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

হাউসতা অৱাই-অখুম ...

*লামায় ১গী মখা...*পুথোরকখি। ঈশিং ঈচাউ মায়োক্লরিবা খুঞ্জাশিংদা মতেং পাংনবগীদমক ৱারী শানগে হায়দুনা মহাক্না ওফিসলশিংদা টেলিফোন তৌবদা কনামত্তা পায়বিরকখিদে। অদুগা নাকল অমরোমদা, মীখলদা মাই পাকহৌদ্রবশিংনা শজিক অমদি ষণগী মচীঞ্জাকশিং ওফিসলশিংগা য়েনবগী ভীদিও ফুটেজশিং ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা থাগৎলকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মহাক্না মীখলদা মায় পাকখিদ্রবা ওইরগদি মায় পাক্লিবা মীওই অদুনা তৌনিংবা তৌবদা মহাক্কী মায়কৈদগী করিমত্তা য়েৎলোই। অদুবু মহাক হৌজিক হৌজিক নম্বোল এ সীগী মীহুৎনি। মীহুৎ ওইরিবা মহাকপু লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা তরাইনা তৌবীবসি থম্মোয় শোকই।

লৈঙাক্না থবক পায়খৎপদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবগী মীৎয়েংদা থবক তৌরগদি লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থবক অসি লৈঙাক্না তৌরোইদবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসলশিংদা বি জে পিগী লূচিংবশিংদা ৱাকৎকনি, চীংদা ট্রান্সফার থাগনি হায়দুনা কিহল্লগা মহাক্কী টেলিফোন পায়হন্দবনি। মসিমক তৌদনবা মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা পাউতাক পীবিয়ু হায়নসু হাউসকী পূক্নিং চিংশিনখি। এম এল এগী থম্মোয় শোকপা ৱাফম অদু তারগা হাউসকী কষ্টদিয়ন ওইরিবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ৱাফম অসি য়েংশিন্নবা য়াথং পীখি অমসুং মিনিষ্টর মশানসু ওফিসলশিংদা পাউতাক পীগনি হায়না থাজবা পীখি।

মহৈরোয়শিংনা মফম কয়াদা হ্যুমেন...

*লামায় ১গী মখা...*থোমজিল্লক্লি। য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগীদমক তঙাইফদনা লেজিসলেসন অমা চলাইবগী মথৌ তারকপদগী ৱাকৎ অসি মণিপুরগী গভর্নর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখিবা লৈখ্রে।

অহানবগী ওইনা কে এস এনা য়েলহৌমীশিংগী সিটি রিজার্ব তৌ হায়না ৱাকৎ থাঙ্গৎলিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী নিপান অদুদি বিষ্ণুপুর, জীরিবাম, কাংপোকপী, সগোলবন্দ, উরিপোক, শুগ্নু, থাংমৈবন্দ অমসুং ৱাঙ্খেনি হায়রি। মসিদসু নত্তনা ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরিবা মীতোপশিং লৌথোক্কদবনি হায়রি।

রাম নাথ কোবিন্দনা লৈবাক ...

*লামায় ১গী মখা...*য়েৎনবগী থৌদোক কয়া অমসু লৈখি। অদুবু মদু পূম্নমক ওইদুনসু অমনা অমগী মফমদা থম্নবা ঈকায় খুম্নবদি ঙাক্না চৎখি। দেমোক্রেসিগী ফজবা হায়বদু মসিনি। পীক্লবা খুঙ্গংগী খাংপোকশঙ অমদা চাউরকখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, রাষ্ট্রপতি ভবন তম্না লাকপগী লন্বীদা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লুবা তাখি। খ্বাইদগী ৱাংবা ফমথোল অসি খুৎশিন্নবীবগীদমক লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫গী মফমদা কোক নোম্না ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মতম পূম্নমক্তা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনগনি।

ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদ, ডা. এস রাধাকৃষ্ণন, ডা. এ পি জে অব্দুল কলাম অমদি হন্দক্তা প্রসিদেন্টকী ফমদগী পোথাখ্রবা প্রনব মুখর্জিগী খুদুং ইন্দুনা অঙন্বা থাক্তা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌনবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, রাম নাথ কোবিন্দবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবসি বি জে পি অমসুং লৈবাক মীয়ামগী ওইনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি। বি জে পিগী লূচিংবা অমনা ফম অসি পায়বা কোবিন্দনা অহানবনি। রাম নাথ কোবিন্দনা পার্লিয়ামেন্ট হোল মনুংদা লৈবা বি আর অম্বেদকরগী মিতমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগী থৌওংবু বি এস পিগী লূচিংবী ময়াৱতিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মশামক দলিত ফুরুপকী মীওই অমা ওইরিবা কোবিন্দনা অম্বেদকরদা ঈকায় খুম্নখিদবগী থৌওং অদু লাইবক থীবনি। অম্বেদকরনা দলিত মীয়ামগীদমক ঈহৌ হৌরমদবা তারবদি কোবিন্দনা খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অসি পায়বা ঙম্লম্লোই হায়বা নীংশিংগদবনি।

‘এন ঈগী ঈচাও নেস্নেল কলামিটি অমা ওইনা লাউথোকউ’

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসনগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যানা ঙসি লোক সভাদা রুল ৩৭৭ কী মখাদা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা নোং কন্না চুবদগী খঙহৌদনা থোক্লিবা ঈচাওশিংবু নেস্নেল কলামিটি অমনি হায়না লাউথোক্লবা তকশিনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এম পি ডা. মৈন্যনা হায়খি, মফম কয়াদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওশিংনা চীং নিংখায়বগী থৌদোকশিংদা মীওই লীশিং কয়া ময়ুম লৈহন্দবগা লোয়নননা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ক্রাইসিস থোক্লে। অশিবশিংগী মশীং দিজিট অহুমদগী হেনখ্রে। অকনবা কুমগী নোং অমসুং খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈচাওশিংনা ইম্ফাল, অসাম, মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা অমাঙ অতাশিং থোক্লে।

অৱাং নোংপোক লমদমদা খঙহৌদনা ঈচাওশিং থোক্লকপা মতমদা মণিপুরগী লাইফ লাইন অনী এন ঐচ ২ অমসুং এন ঐচ ৩৭ শীজিন্নবা য়াদবদগী পোৎ চৈ পুথোক পুশিন অমসুং মী চৎথোক চৎশিন খুদক্তা থিংজিল্লি। চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবগী মীংদা তম্পাক্কী এরিয়াশিংগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঈশিংগী মফমশিংদা শোকচিনবা অমসুং তুরেলগী লৈনুংশিং থেনগৎলকপনা অসিগুম্বা ঈচাওশিং থোকহনবদা মতেং পাঙই। অৱাং নোংপোক লমদম পুম্নমক্কী মরু ওইনা মণিপুরগীদমক্তা ফ্লাস ফ্লদ মেনেজমেন্টগী মপুং ফারবা পোলিসি অমা পুথোকপগী মতম ওইরে হায়খি।

ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকাইদা তুরেল তোৰ্ব্বাল কায়দুনা ঙাঙৌ লৌকোল ঈশিং থুমজিন্দুনা মীওই কয়া অমদি শা-ষণ কয়া লৈফম চাফম লৈতদুনা অৱাবা মায়োক্লন্দুনা লৈরি হায়না সোসল এন্দ এদ্যুকেস্নেল দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী জেনরল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মীওই কয়া অমদি শা-ষণ কয়া রিলিফ কেম্প অমদি তুরেল মপানগী লন্বী মথক্তা শৈদাংদুনা লৈরি।

তোৰ্ব্বাল কায়খিবা মফম অদু মেনশিনখ্রবসু লন্বী চৎফম লৈতবনা তুরেল মপানগী লন্বীদা মীয়াম্না চৎনরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেঙ অমত্তসু ফঙদি। মরম অদুনা এ সী অসিগী এম এল এ অমদি লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়রি।

শাশিন্নবা এদমিসন রিসিটনা ...

লামায় ১গী মখা... থোকখিবনো হায়বগী ৱারীশিং খঙলবা তুংদা বিদেশিনিবু য়ুনিয়নগী লূচিংবশিংনা কৌখৎখি অমসুং ৱাহং পাউহং তৌখি। ৱাহং পাউহং তৌবদুদা মিং চনবগী রিসিট অদু সুভাশ কৌবা মীওই অমনা পীরকপনি অমসুং মহাক্না তৌরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহৈরোয় লূচিংবা অদুনা মখা তানা হায়খি, মিং চনবগী ৱাথোক অসিদা মহাক্না চেন্নে হায়রিবা সুভাশ নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পুথোক্কদবনি। মহাক পুথোক্তবা তারগদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্ত খূদিংমক্কী তেকচাক বিদেশিনিনা পুগদবনি।

থৌদোক অদুনা মহৈরোয় নুপীমচা অমবু মথৱায় শোকহনবগী মথক্তা পরম চুম্না এদমিসন টেষ্ট তৌবা অমসুং মিং চনবগী থৌওংদা মীয়ামদা চমন্নবা পোকহল্লে। কোলেজ অসিবুসু মিংচৎ থিহল্লে হায়নসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা ৭শুবা ...

*লামায় ১গী মখা...*ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখোনা হায়খি, ললাম্বুং মখোঙদা ৱাটর সপ্লাই স্কীম শাগৎনবগী হৌজিক থোইদোকপা থৌরাং লৈত্রি। ৱাটর সপ্লাই স্কীমশিং শেমগৎনবগী মতাংদা চঙবা য়াবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ সুর্যকুমারনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, আই পি আরগী ওইনা বজেটতা শেল হাপ্তুনা থবক কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। দি আই পি আরগী নৌনা শারিবা বিল্ডিং অসি মণিপুর পুলিস হাউসিং কোর্পোরেসন্না পায়রম্বনি। হান্না পায়রম্বা শরুকশিং অসি লোয়খ্রবা মতুংদা মখা তাবা শরুকশিংগী ওইনদি ৱার্ক এজেন্সি অমদা শীন্নরগা থবক শুহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মসিগীদমক লুপা ক্রোর অমরোমসু হাপ্তুনা লৈরে। দি আই পি আরগী খুথাংদা এদভর্টিজমেন্টনচিংবা কয়াসু তৌই। দি আই পি আরগী ওইবা এদভর্টিজমেন্টদা দিপার্টমেন্ট অসিনা অদুমক পুথোকচৈ অদুগা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগী এদভর্টাইজ হাপ্পা মতমদদি মশা মশাগী দিপার্টমেন্ট অদুনা পুথোকচৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

জুলাই ফাওবদা কন্সটেবলগী ফল লাউথোক্ত্রবদি খোঙজং হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহী ২০১৬ বেটচতা লৌখিবা পুলিস কন্সটেবলগী রিক্রুটমেন্ট জুলাই থা লোইবা ফাওবদা হায়দোক্ত্রবদি ওগষ্ট ১দগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল/ সিবিল ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ ফ্রেশ কন্সটেবল ২০১৬, ১০ প্লস টুগী কাঙবুনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মণিচন্দ্র চনম্বমনা পাউমীশিংদা হায়খি, লৈঙাক্না পুলিস কন্সটেবল লৌনবা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টগী ফল ঙসি ফাওবা হায়দোক্ত্রিঙৈদা জেলগী পোষ্ট লৌনবা থবক অমুক কৌরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি। থবক লৌরগা হায়দোক্তনা থম্বগী চৎনবী অসিনা তাকপদি লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু অপংবা শীরি।

অনৌবা লৈঙাক্কী লূচিংবশিংনা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ফল লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা থা অসিগী মনুংদা রিক্রুটমেন্টকী ফল লাউথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনবা হায়বা কন্সটেবলশিং অমদি পেরেন্টশিংগা অমত্তা ওইনা য়ানরে।

হৌখিবা জুন ১০দা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিল্লগা হোমগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল সুশিন্দ্রোগা উনবদসু মহাক্না ফল লাউথোক্লগনি হায়না থাজবা পীরকখিবা লৈখ্রে। মদুদগী খোঙজং চঙশিনগনি তৌরম্বশিং হন্দোকখি। অদুবু হৌজিক জুলাই থা লোইগদবা নুমিৎ খরনিদং ঙাইরক্লবা ফাওবদা ফল লাউথোকপগী ৱাফম অমত্তা তাখিদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লৌমীশিংগী প্রোটেষ্ট কম মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী লৌমী মীয়ামদা হার ফংহনবদা ঈশিং ঈচাউগী রিলিফকী শেনফম পীবিদবা, লৌমীশিংদা তোনবা লোনশিং শেন্দোন কোকপীনবা অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌশিল পায়খৎলু হায়বা দাবীদা মণিপুর লৌমী লূপনা শিন্দুনা ঙসি লিলোং কৈথেলদা লৌমীশিংগী ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা সী পি আই মণিপুর কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ডা. এম নরা অমসুং লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি অমদি অতৈ লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ-মীফম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা মণিপুরগী লৌমীশিংনা ষ্টেট অসিগী চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা কন্না হোৎনরবসু চহী খূদিংগী খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ নৎত্রগা প্রকৃতিগী ঈচাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। মসিদা নত্তনা হার ফংদবা, খুৎশুমন হেনগৎপা, মতমদা চূনবা টেক্নোলোজিগী মেছিনশিং ফংদবা, লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং-থৌশিল লৈতবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম মতীক চানা পায়খৎতবনা অৱাবা চৈথেং কয়া নংলি। মসি পুম্নমকসি য়েংলগা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগীদমক অখন্নবা থৌশিল অমা পায়খৎপীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা বিল ৩ পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী ঙসি চংখিবা সেসনদা লৈঙাক্কী ওইবা তোঙান তোঙানবা বিল অহুম হাউসতা পুথোকখ্রে।

ঙসি হাউসতা পুথোকখিবা বিলশিং অদুদি দি মণিপুর ফিস্কেল রেস্পোন্সিবিলিটি এন্দ বজেট মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৭, দি মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগুলেসন) বিল ২০১৭ অমদি দি মণিপুর কোচিং ইন্সটিট্যুট (কন্ট্রোল এন্দ রেগুলেসন) বিল ২০১৭ নি। দি মণিপুর ফিস্কেল রেস্পোন্সিবিলিটি বজেট মেনেজমেন্ট বিলনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা পুথোকখি।

লেমহৌরিবা বিল অনী অদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা পুথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

দোক্তর ৩০০ এম পি এস সীগী খুথাংদা...

*লামায় ১গী মখা...*মেদিকেল ষ্টাফশিং লৈনবা ক্বার্টরশিং শানবগীদমক লৈঙাক্না মীৎয়েং থল্লি। অরাপ্পা মফমশিংদগী পোষ্টিং তারকপা ষ্টাফশিংনা ক্বার্টর লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসি য়েংলগা ক্বার্টর শানবা হোৎনরিবনি। সুগ্নু সী ঐচ সীগী ওইনা ক্বার্টর শাবা লোয়রে। অফবা নুমিৎ অমা লেপ্পগা শঙ্গাবা য়ারগনি। ক্বার্টর অসিগী তঙায়ফদবা মচাক খরা হাপচিল্লগা অদুমক মী লৈবা য়ারগনি।

নেসনল হেল্‌ঠ মীসনগী মখাদা লৌরিবা কন্ট্রেক ষ্টাফশিং অসি সেন্তরগী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা লৌবা ঙাক্তনি। মখোয়গী পে অমদি সর্ভিসকী কাঙলোন খুদিংমক অসি সেন্তরগী কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না পায়খৎপনি। ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীগী থা খরগী তলব ফঙদবগী ফিভম থেংনখিবা অদুগী মতাংদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙদুনা পীথোক্লবগী থৌরাং পায়খৎলে। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ী খরগী ওইনা তলব পীথোক্তবা য়াওরি। মসি য়ারিবমখৈ থুনা পীথোক্লবা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা তাবা ষ্টাফশিংগী ওইনদি খরা পীবা হৌনবসু য়াওখ্রবনি।

পি জি লোয়রবা দোক্তর ৩০ রোম হৌজিক তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থানবগীদমক থৌরাং তৌদুনা লৈরে। তঙায়ফদবা লাইয়েংশঙশিং য়েংলগা দোক্তরশিং অসি থানবা হোৎনরগনি। অনা লায়েংগী লমদা খুমাং চাউশিনহন্নবগীদমক হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনরি। শেল-থুমগী অৱাৎ অপা কয়া লৈবনা শেমগৎ-শাগৎনবগী থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াদি মায়োক্লরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেল্‌ঠকী দিমান্দ খন্নরকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ কেঐচ জয়কিষন্না হায়খি, ঈশিং ঈচাও থোকখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লায়না লাইওং কয়া লাকপগী অৱাবা কয়া থেংনরে। ঈশিং ঈচাও নংখিবা মফমশিং অসিদা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লায়েংবগী থবকশিং চথবা চুমগনি। ঈচাও মায়োক্লখিবা সেকমাইজিন মায়কৈদগী মীওই অমা তিন অমনা চিকপদগী লাইহৌ কন্না হৌরক্তুনা জেনিমসতা পুখৎলবা মতুংদা লৈখিদবগী পাউ অমসু লৈরে। ওইরক্লিবা ফিভম কয়া অসিদা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি।

হেল্‌ঠ মীসনগী মখাদা শাংনা থবক তৌজরক্লবা কন্ট্রেক ষ্টাফশিং রিগ্যুলরাইজেসন তৌবাগী থবক পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ফেমিলি ৱেলফেয়রগী ষ্টাফ কয়া থা কয়াগী তলব ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়বা ৱাফমসু লৈরি। ইমুং-মনুং পুনবগীদমক হোৎনজরিবা কয়া অসিনা মতম শাংনা তলব ফঙলক্তবা মতমদা কয়া য়াম্না অৱাবা মায়োক্লরমগদগে হায়বসি খঙবা চুম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টকী দিমান্দ খন্নরকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়খি, মণিপুরদা হন্দক মেলেরিয়া, দেঙ্গি, জপানিজ ইনকেফেলাইটিস শন্দোরকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করি থৌরাং পায়খৎখ্রবগে হায়বসি হঙনিংঙাই ওই। লায়না লাইওং অসিদগী ঙাকথোক্লবা অশাংবা মতমগী থৌরাং অমদি অতেনবা মতমগী থৌরাং পায়খৎপা চুমগনি। সুগ্নু সী ঐচ সীগী ষ্টাফশিংগী ক্বার্টর শাবা লোয়দুনা লৈরে। ক্বার্টর অসি করম্বা মতমদা শঙ্গাগদগে হায়বদু চপ চানা লেপথোকপীয়ু। এম পি এস সীগী খুথাংদা লৌগনি হায়রিবা দোক্তরশিংসু অথুবা মতমদা লৌদুনা দোক্তরগী অৱাৎপা লৈরিবা অনা লায়েংশঙশিংদা থাবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টকী দিমান্দদা পোলিসি কট মোসন পুখৎলদুনা এম এল এ, এন লোকেন্না হায়খি, নম্বোলগী সী ঐচ সী অসি ফেন্সিং লৈত্রি। সী ঐচ সী অসি অনাবা মশীং য়াম্না লায়েংবা য়াম্না মরুওইবা লায়েংশঙ ওইরিবনি। অনা লায়েংশঙ অসিগী অৱাৎপা দোক্তর অমদি ষ্টাফশিংসু হাপচিনবীয়ু। লৈমপোকপম প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্তরগী ওইনসু অৱাৎপা ষ্টাফ হাপ্পীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। দিমান্দশিং অদু খন্নরকপদা এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বর অমসুং এ কে মিরাবাইসু শরুক য়াখি।

লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টকী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা লেবর মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, লেবরশিংগীদমক য়াম্না কান্নগদবা স্কীম নিংথিনা পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙলি। লেবর কার্দ পীবগী থবকসু চথবা হৌরে। বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্করগী লেবর অমনা কার্দ পায়রবা মতুংদা য়াইফ থৌরাংগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া ফঙবা য়াই। অন-ওর্গনাইজ সেক্তর অমদি ওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈরিবা শিন্মীশিংগী ওইনা ফংফম থোকপা খুদোংচাবা কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টগী দিমান্দ খন্নরকপদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ সুর্যকুমার ওক্রমনা হায়খি, মণিপুরগী পোনি অসি অসুক্কী মতিক মরুওইখ্রে। লাই হাক্তক্তগী হৌনা পোনি লৈরম্বগী মরুওইবা কয়া অদু ঐখোয় পুম্নমকা খঙনরবনি। মালেমদা শগোল কাঙজৈগী মশান্না অসি লমদমঅসিদা হৌদোকখি হায়না চাউথোকচরিবা কয়া অসি পোনি লৈরম্বদগীনি। অদুবু অসুক মরুওইখ্রবা পোনি অসি নোংম-নোংমগী মশীং হন্থরক্লি। পোনিগী মচিঞ্জাক চাফম লৈশিল্লক্তবা অসিনা অরুবা ফিভম অমা ওইরক্লি। পোনি সেন্সসতা চহীসিগী ওইনা মশীং হন্থরকপগী রিপোর্ট লৈরি। কুমজা ২০০৩ গী সেন্সসতা পোনি ১৮০০ লৈ হায়না পারম্বা অদু কুমজা ২০১২ কী সেন্সসতদি ১১১০ দা হন্থরক্লি। মসিগী মতুং তাবদা তৌখিবা সেন্সসতসু খরা খরা হন্থরকপগী ৱাফম লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসিদা পোনি কন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোনিগী মচিঞ্জাক চাফমশিং শেমগৎপা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি লেবর, ত্রাইবেল এফেয়র্স, মেদিকেল অমদি ভেটিরিনরিগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ দি কোরুংথাং, কে মেঘচন্দ্র, দি দি থাইসি, ফজুর রহিম, ও হেনরীনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। হাউসতা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং পাস তৌখি। পাস তৌখিবশিং অদুদি, দিমান্দ নম্বর ১১ মেদিকেল হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সর্ভিস, দিমান্দ নম্বর ১৩ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট, দিমান্দ নম্বর ১৪ দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিভলপমেন্ট অমদি দিমান্দ নম্বর ১৮ এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি ইনক্লুদিং দাইরি ফার্মিংনি।

CAS Foundation
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII(3RD BATCH)
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X(3RD BATCH)
(English, Maths, Science & Social Science)
Seats are Limited First Come First Serve
Morning Batch (5.00– 8.00 A.M.)
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction,Imphal.
HL-B/3971/18-31Jy